## ট্রেনিং সেন্টর হাংদোক্লবা খন্নখ্রে

মোরে, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ বোর্দর টাউন মোরেদা পি এম কে ভি ৱাইগী মখাদা দাইনা কম্প্যুটর সেন্টর ইম্ফালনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী ট্রেনিং তৌনবগী সেন্টর অমা হাংদোক্লবগী মতাংদা খন্ন–নৈনখ্রে।

দাইনা কম্প্যুটর সেন্টর ইম্ফালগী প্রোপ্রাইটর দাইনা ঙাসেপ্পম য়াওনা মোরে পুলিসকী আই বি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এস দি পি ও বিনোই চোংথাম, কম্মান্দো দি এস পি থোমাস থোকচোম অমদি তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিটিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। দাইনা ঙাসেপ্পম্না ফোঙদোকখিবদি পি এম কে ভি ৱাইগী মখাদা লৈরিবা স্কিমশিং অসি স্কিল দিভলপমেন্ট ওইবনা কম্প্যুটর হার্দ ৱায়ার, মোবাইল রিপ্যারিং, হেন্দলুম ৱিভিং অমদি অতৈ স্কিম কয়া য়াওরি।

হায়রিবশিং অসি নীংথিনা ট্রেনিং তৌদুনা কান্নবা কয়া অমসু পীগদৌরি। মসিদা মোরেগী নহা কয়া ট্রেনিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদে। মীফম অদুগী তুংদা তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংদা ট্রেনিং সেন্টর ওইবা য়াবা মফম অমা পীবিনবসু মহাক্না আপিল তৌখি।

## ওপন দিবেট

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবা ১৯ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা এম য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা থা অসিগী ১০ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওপন দিবেট কম্পিটিসন এম য়ুদা পাঙথোক্কদৌরি।

মুসুগী চেরোল অমদা হায়, দিবেট অসিগী টোপিক্তি 'ওনলি থ্রু দাইলোগ ৱি কেন ব্রিং পিছ এন্দ হারমোনি ইন অৱার ষ্টেট' হায়বসিনি। তোঙান তোঙানবা ইদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী য়াওনিংবা মহৈ–রোয়শিংনা লুপা ১০০ পীরগা মুসু ওফিস, এম এস কম্প্যুটর এম য়ু কেম্পস অমদি পি দি ক্লব দি এম কলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি অদুগা থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু পীশিনগদবনি। অকুপ্পা মরোল ৯০৭৭৬৯৩০১৯ দগী খঙবসু য়াগনি হায়রি।

## মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েহ্হোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ নেহরু মেমোরিয়েল ক্লব তোপ অৱাং লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ৬ শুবা একাদেমিক মেরিটোরিয়স এৱার্দ ২০১৯ য়েহ্হোকপগী থৌরম ঙরাং ক্লব অসিগী লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোপ দুসরা জি পিগী প্রধানময়াংলম্বম সুরবলা দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, ক্লবকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ইবোতোম্বী সিংহনা থৌরম মপু, উপ প্রধান সঞ্জেম্বম সঞ্জোয় মৈতৈ অমদি লেট য়াংলেম য়াইমা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী মেম্বর য়াংলেম শ্যামসুন্দরনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

বোসেম, কোহসেম অমদি সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা মায় পাক্লবা তোপ অৱাং লৈকাই এন এম সিনা কোনবা এরিয়াদা লৈবা মহৈরোয়শিংদা মেমেন্টো, সার্টিফিকেট, এক্সর্সাইজ বুক অমদি কলম্নচিংবা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অনন্দ সিংহ হয়ার সেকেন্দরি একাদেমিগী লেকচরর ইরোম উশারানি দেবীনা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা অঙম্বা খুদোলপোৎ পীখি। অদুগা বোসেমনা লৌবা এগজামদা রোহিট সঞ্জেম্বম অপোকপা উদোয়চান্দ, কোহসেমনা লৌবা এগজামদা লৌরেম্বম ইলিজাবেদ অপোকপা রাজেন অমসুং সি বি এস ইনা লৌবা এগজামদা এন্নৈ থিংবাইজম অপোকপা রাজেন সিংহনা মার্ক খ্বাইদগী ফংবা মহৈরোয় ওইখি।

য়াংলেম য়াইমা মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা চহী খূদিংগী পীবা মনানা রোহিদ সঞ্জেম্বম অমদি লৌরেম্বম ইলিজাবেদ দেবীনা ফংখি হায়না ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরী থিংবাইজম দিলিপকুমার সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

# হৈরোক অমসুং ৱাংজিং তুরেল ঙাক শেন্দুনা কনসি হায়বা পোষ্টর কেম্পেইন হৌখ্রে

থৌবাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক অমসুং ৱাংজিং তুরেলদা মোৎশিল্লক্লিবশিং কন্নবগী পান্দমদা অমদি তুরেল অসি ঙাক শেন্দুনা কন্নবা পোষ্টর কেম্পেইন ঙসিদগী হৌখ্রে।

নিঙোল ক্লব হৈরোক্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা প্রোটেক্সন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ হৈরোক, ৱাংজিং রিভর হায়বা পোষ্টর কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরমদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপম, নিঙোল ক্লবকী সেক্রেটরী জেনরেল খুন্দোংবম সোফিয়া, হ্যুমেন ইনিসিয়েটিভ (হি) মণিপুর দিল্লি য়ুনিটকী ৱুমেন কোওর্দিনেটর অমদি ইন্টরনেস্নেল মোদেল ময়াংলম্বম দাইনা, মিসেস ইন্টরনেস্নেল বেষ্ট টেলেন্ট ২০১৮ তারকখ্রবী অশাকিরন কোন্সম, ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রবি তখেল্লম্বম অমসুং কাদা মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপঞ্জিৎ নিংথৌজম্না মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

নুপীমচাশিংগীতা ওইবা নিঙোল ক্লবনা অকোয়বগী ফিভম কন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙথাংদা থাগৎপা অমসুং অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা দি এফ ও থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপম্না হায়, মণিপুরগী তুরেলশিং মোৎশিল্লকপা, এনভাইরোনমেন্ট পোল্লুসন লৈরকপা অসিদগী কলহৌনবা নিঙোলশিংনা থৌদাং লৌরকপসি অহানবনি। মণিপুরগী তুরেলশিংগী ফিভম য়াম্না শোকচিল্লে হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। তুরেলশিংদা থাদরক্লিবা অমোৎ অকায়শিং অসিনা থোকহল্লিবা পোল্লুসন্না ঈশিং থকপা য়ারক্তবা, লায়না শন্দোরকপা পূম্নমক অসি উরবা খঙনরবা ঙাক্তনি।

নেস্নেল গ্রিন ট্রিবুনেলদা লাকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা পোল্লুসনগী চাং য়াম্না ৱাংবা তুরেলশিংগী মনুংদা মণিপুরগী তুরেল ৯ য়াওই। হায়রিবা ৯ অসিগী মনুংদা হৈরোক অমসুং ৱাংজিং তুরেলসু মনুং চল্লিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পোল্লুসনগী চাং য়াম্না ৱাংবা মণিপুরগী তুরেলশিংগী মরক্তা হৈরোক অমসুং ৱাংজিং তুরেল য়াওরকপা হায়বসি য়াম্না মোৎশিল্লে অমদি পোল্লুসনগী চাং ৱাংলে তাকপনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নিঙোলশিংগীতা ওইবা ক্লব অমনা কলহৌনবা হোৎনরকপসি য়াম্না মতাং চাবনি হায়না লৌই। পোল্লুটেদ ওইরে, ঈশিং কংলে, শীজিন্নবা য়াদ্রে অদুনা হৌজিক করি তৌবা য়াবগে হায়বগী তাঞ্জা অদু য়ৌরক্রে।

হৈরোক তুরেলনা পোল্লুটেদ ওইরকপদগী শোক্লিবসি খুঞ্জাশিংদনি। মরম অসিনা ৱাইল্ড লাইফ অমদি এনভাইরোনমেন্ট কনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌ ওইরিবনি। অদুনা তুরেলশিংগী হৌরকফমদগী হৌরগা মীয়াম পূন্না ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে। তুরেল খোংবান্দা ফত্ত–হৌদি লংথোকপা লেপ্পা দরকার ওইরে। অসিদা নত্তনা তুরেলগী হৌরকফম অমদি তুরেল মপান্দগী উ ৱাশিং কোকথোকপগী মহুত্তা উমং ওইহল্লগদি হেন্না অফবা ঈশিং লৈরক্কনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

## সোল্লর ৱাটর হিটর সেট অনী খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি লোয়শঙনা শেম শাবা অমদি পানখৎপা সোল্লর ৱাটর হিটর সেট ২ ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রোদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা বিদ্যলয়া (কে জি বি ভি)দা শঙ্গাদুনা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ই ইবোচা সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, কে জি বি ভি অন্দ্রোগী হেদ মাষ্টর এস ইবোয়াইমা সিংহনা থৌরম মপু অদুগা সেনিয়ার সাইন্টিফিক ওফিসার এম রামো সিংহনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

দাইরেক্টর ই ইবোচানা হায়, স্কুল অসিদা থল্লিবা সোল্লর ৱাটর হিটর অসিনা লম অহুমদা কান্নবা পীরগনি। অহানবদা ইনর্জি সেভ তৌদুনা ইলেক্ট্রিক্ট শীজিন্নবগী পৈশা তিংদনা ঈশিং অশাবা ফংহনবা, অনীশুবদা অকোয়বগী অইং অশাগী খল কায়রক্তু না শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদগী খরমখৈ কনবা অমসুং অহুমশুবদা স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা সোল্লর ৱাটর হিটরগী সিষ্টেম অসি হাকথেংননা উহন্দুনা অৱাংবা ক্লাসশিংদা নন–কনভেনস্নেল সোর্ছেস ওফ ইনর্জি হায়বা চেপ্তরগী অহেনবা লৌশিং ফংহনবা হায়বসিনি। অসিদসু নত্তনা মহৈরোয়শিংদা সাইন্টিফিক ওইবা ৱাখল্লোন অদু লৈহন্দুনা তোঙান তোঙানবা সাইন্সকী মরমদা খঙহনবা অমদি সাইন্স মোদেল কয়া পুথোকহনবদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টনা মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

## অশোক অপন থোক্তনবা য়েংশিনবিয়ু

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংলম কেন্দ্রগী সেকমাইজিন খুনৌ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী ফৌবাকচাও ফাওনরিবা মণিপুর তুরেলগী মথক্তা লৈবা লিটান থোং অসি অশোক অপন, মীশি মীনা থোক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবিয়ু হায়না বেল্লি ব্রিদজ কন্সট্রক্সন দিমান্দ কম্মিটি ওফ সেকমাইজিন খুনৌ এন্দ ফৌবাকচাওনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরী কে মনিহারনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হায়রিবা থোং অসি ১৯৭২ দা উরেপ তমদুনা শারম্বনি। চহী য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না থোং অসিগী ফিভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম লাম্হোক লানশিন তৌবদা মীপাইবা অমদি অকিবা পোক্লরে। অদুনা অশোক অপন মীশি মীনা থোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতমগা চানবা থোং অমা শাবিনবা হোৎনবিয়ু। সেকমাইজিন্দগী অরোং নোংমাইখোং ফাওবা চাউরাক্লা কিলোমিটর ২২ রোম শাংবা মণিপুর তুরেলগী মপান্দা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগী য়েংবিরগা লৈঙাক্লা মফম চাবদা দরকার লৈবা থোং অথুবদা শাবিনবসু মীৎয়েং চিংশিল্লি।

## এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ভাইস প্রসিদেন্ট অব্দুল হকিম, জোইন্ট সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন প্রভিন মোইরাংথেম, ঐচ আর দি সেক্রেটরী ব্রুসে পেবম অমদি ওফিস সেক্রেটরী প্রিয়োবর্ত্ত নিংথৌজমনা পূন্না ময়ায় ফমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিংসু নৌনা খনখ্রে।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী ২০১৯–২১ গী থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবশিং অদুদি কে হরিদেবা শর্ম্মা প্রসিদেন্ট, এস রমানন্দ জেনরেল সেক্রেটরী, ৱাই বেদজিৎ (দিপু) সিংহ ফাইনান্স সেক্রেটরী, টিঐচ মনিতোম্বা সিংহ ঐচ আর দি সেক্রেটরী অমসুং ই রবিচন্দ্র সিংহ ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরীনি। কম্মিটি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৭ সু খনখ্রে হায়রি।

## নীংশিং মনা নোংপোকঙানবদা পীরগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ শীতলজিৎ নীংশিং সেবা কম্মিটিনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী বোসেম্না লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা মণিপুরী সবজেক্টতা মার্ক খ্বাইদগী হেন্না ফংবা মহৈরোয়দা পীবা শীতলজিৎ নীংশিং মনা হন্দক চহীগী ওইনা সেন্ট জোসেফ স্কুল সঙাইপ্রৌগী মহৈরোয় নোংপোকঙানবা লোংজম (রোল নম্বর ৪২৩৬৪) দা পীরগনি। থা অসিগী ৮ থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা মনা অসি লাম্হোক্কনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভেনর দুষরিগোপালনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## ইদ–উল ফিটরগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ইদ–উল ফিটরগী থৌরম্না লাকপদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী মীয়ামদা মপূং ওইনা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা পীবা পাউজেলদা হায়, কল্লকপা, য়েংথিবা, মীহৌ চাউবা, পাপকী ওইবা নাপল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা থা অমা রোজা তৌদুনা ইন্দ্রিবু লাকশিনবগা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরম অসিনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা, নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা কুম্মৈ অসিনা লাকপগা ইরোইননা ৱারম্বা, নুংঙাইতবা, থৌদোক কয়া থোক্লম্বা পূম্নমক কোকপিদুনা হরাউ নুংঙাইবা ৱাৎত পাদবা ষ্টেট অমা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা হায়, থা অমা চূপ্পা মপুগী য়াথং ইন্দুনা রোজা পাঙথোক্লবা মতুংদা ইদ–উল ফিটরগী থৌরম লাকপসি অসিদা মীয়ামদা মপূং ওইনা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মণিপুর নেস্নেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্টকী জেনরেল সেক্রেটরী সৈখ মুফিজুদ্দিননা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী মফমদা ইদ–উল ফিটরগী য়াইফ পাউজেল পীরি। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহহোক কয়াগী মনুংদগী নুংশিনদবা অমদি নুংশিনদবা লৈবা পূম্নমক থাদোক্লদুনা জাৎ–বিজাৎ খায়দনা মীপূম খূদিংমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী পাউজেল অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা অমদি লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খূদিংমক অমত্তা ওইবগী লিপুন্না মতিক মঙুণ লৈবা লমদম হায়বদু ওইরসনু হায়রি।

কঞ্জুমরস এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনসু মণিপুরগী মীয়ামদা মপূং ওইনা মুস্লিম কম্ম্যুনিটিদা ইদ–উল ফিটরগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

## জে এন দান্স একাদেমিগী অনৌবা এ ব্লোক শঙ্গারগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী নৌনা শেম্বা মেইন গেট, অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক, শেমজিল্লবা ওদিটোরিয়ম অমসুং মশক নাইবা মণিপুরী জগোয়গী গুরু ৩গী মিতম থা অসিগী ৫ লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা শঙ্গারগনি।

একাদেমি অসিগী চেরোলনা হায়, থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী চিয়ারপার্সনসু ওইরিবা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্পতুলহ, সঙ্গীট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী চিয়ারমেন সেখর সেন, সেক্রেটরী ডা. রিতা স্বামি চৌধুরি, জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ভাইস চিয়ারমেন প্রো. ঐচ তোম্বী সিংহ, দিরেক্টর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মা অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (আর্ট এন্দ কলচর) এম লক্সমীকুমার সিংহ আই এ এস শরুক য়াগনি।

অনৌবা এ ব্লোক অসি কা ৯ লৈগনি অদুগা ওদিটোরিয়মনা বেলকোনিদা সিট ৫০ য়াওনা সিট ৩৫০ গী কেপাসিটি ওইরগনি। ন্যু লাইট অমসুং সাউন্দ বুথসু থল্লগনি। কন্সট্রক্সনশিং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট, নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল শিল্লোং অমসুং সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা পায়খৎখিবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরী জগোয়গী মশক নাইবা অহুমগী মিতম মায়খুমসু হাংদোক্কনি। মিতমশিং অদুদি গুরু এম অমুবি সিংহ, গুরু ঐচ অতোম্বা সিংহ, গুরু টি অমুদোন শর্ম্মা অমসুং রাজশ্রী ভৈগ্যচন্দ্রনি হায়রি।

## কোংগ্রেস ভাবনদা ইফটার পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ ইদ–উল ফিটরগা মরী লৈননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)না শীন্দুনা হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫.৩০ তাবদা কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ইফটারগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা ওপোজিসন লুচিংবা ও ইবোবি সিংহ, এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম, এম এল এ অমদি এক্স এম এল এশিং, পি সি সিগী মেম্বরশিং অমদি অতৈ ফ্রন্টেল অমসুং সেলগী লুচিংবশিং, কোংগ্রেস কাউন্সিল্লরশিং অমদি কর্ম্মি কয়ানা শরুক য়াগনি। নুংথিল পুং ৬ তা দুৱাগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

HRD ACADEMY
GHARI, AIRPORT ROAD, IMPHAL
MOTTO : BE GOOD DO GOOD
Website : www.hrdacademy.in email : hrdacademy@yahoo.co.in
A Centre of excellence imparting science education at higher secondary level since 1997 and which have produced
6 times First Positions
4118 First Divisions
90 Position holders
& 10,368 Qualified students
ADMISSION GOING ON
For Class – XI Science for the Academic Session 2019-20
Prospectus 2019-20 along with the registration form will be issued w.e.f. 20/5/2019 from 10:00 a.m. to 2:30 p.m. from academy office.
SUBJECTS OFFERED :
Eng, Alt. English, Manipuri, Phy, Chm, Bio, Math & Csc
ELIGIBILITY :
HSLC/Equivalent Exam. with a minimum of 45% in aggregate
ADMISSION PROCEDURES:
Direct admission for 60% and above.
Selection on basis of merit for below 60%.
FACILITIES FOR POSITION HOLDERS & DESERVING STUDENTS
1st to 10th Position Holders of BOSEM Free Admission, Free Tuition Fees with monthly scholarship of Rs. 8000/-
11th to 25th Position Holders of BOSEM Free Admission, Free Tuition Fees with monthly scholarship of Rs. 6000/-
Students with 75% and above : Exemption of Tuition Fees
Students with 70% and above : 50% Exemption of Tuition Feees in Science/Maths/Languages
Exemption of Tuition Fees for differently abled students.
Sd/- Principal, HRDA
SL/4837/25th to 8th June

## জিরিবামদা মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ সর্ভ শিক্ষ্য অভিয়ান জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট,এচিভমেন্ট ওফ রাইজিং মাইদেন (এ আর এম) অমদি সি এম ও জিরিবামনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি জিরিঘাট হায়স্কুলদা মেদিকেল এসেসমেন্ট অমদি আইদেন্টিফিকেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সোইনাইরবা অঙাংশিংদা করম্বা টিচিং এইদ অমদি এপ্লাইয়েন্স পীগদগে হায়বা অদু খঙদোক্লবা পাঙথোকপা কেম্প অদুদা মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা শরুক য়াবা মেদিকেল বোর্দ ফমদুনা কূপ্পা খন্নরবা তুংদা সার্টিফিকেটশিং য়েহ্হোকখি।

এ আর এমগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ও অনিতা দেবীনা ফোঙদোকখিবদি পাঙথোক্লিবা মেদিকেল কেম্প অসি দিসএবল অঙাংশিংগীনি। মখোয়দা করম্বা মখলগী টিচিং এইদ পীগদগে হায়বগী মতাংদা খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা দিসএবল অঙাং অমদি অহলশিংদা সার্টিফিকেটসু খূৎশিন্নখি। পূন্না মীওই ৮০ দা এইদ অদুগা মীওই ৬০ রোমদা সার্টিফিকেট পীখি হায়রি।

## মালেমগী সাইকল নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ মমাঙ চহী ২০১৮ কী এপ্রিলদা য়ুনাইটেদ নেসন জেনরেল এসেমব্লিনা জুন ৩ বু ৱার্ল্ড বাই সাইকল দে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবা দেবী মান্দবতগী ৱাংবল ফাওবা সাইকল রেল্লি চত্তুনা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বাইসাইকল রাইদরস ক্লব থৌবাল, ভারত বিকাস পরিষদ অমদি লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবালনা শীন্দুনা চৎখিবা রেল্লি অদু লমথারদুনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ শামোনা হায়, খুন্নাই অসিদা লৈরিবা নহা অহল খূদিংমক মশা মউ ফনা লৈসি, শাজেল কয়াগী মনুংদা সাইকল তোংবগী শাজেল অসি পোল্লুসন থোকহন্দনবা হোৎনবদসু চাউনা মতেং ওইরি। পাউজেল অসি মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক ঙসি থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

বাইসাইকল রাইদরস ক্লব থৌবালগী কনভেনর ডা. কেএসঐচ মঙলেম্মা হায়, সাইকল থৌবসি অফবা হকচাং শাজেল অমনি। মপাল লমগী মফম কয়াদা শেম্বীবগুম লমদম অসিদসু সাইকল তোংবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপিবা ওইনা লৈঙাক্লা লম্বীগী নাকলদা সাইকল থৌফম শেমগৎহন্নিংই হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

## অপূনবা মণিপুরগী মুক্না চাংদম্নগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ দেসাম অমদি ওল মণিপুর মুক্না এসোসিয়েসন (এ এম এম এ)না পূন্না শীন্দুনা অপূনবা মণিপুরগী মুক্না শান্নরোইশিং চাংদম্নবা ২০১৯ হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী পুং ১ দা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দ পি বি মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মুখরক্লবা য়েলহৌ মশান্না অসি কন্দুনা য়োকখৎনবা ৱাখল্লোন্দা মীয়াম্না চাংদম্নবা অসিদা মীৎয়েং তাবিয়ু, ঐখোয়গী নাৎ, চৎনবী কয়া অসি হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা লমদম অসিগী নাৎ–চৎনবী, মশান্না কয়া য়োকখৎতুনা মমুৎ তানা খঙহন্নবা অমসুং মালেমগী ফম্বাকথক্তা তোমথিন ঙান্না লৈহৌনবা ৱাখল অমগা লোয়ননা অপূনবা মণিপুরগী মুক্না শান্নরোইশিং চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

## ফার্ষ্ট এইদকী মরুওইবা হায়বা হীরমদা ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (এস এন এস )ঃ জি আর ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদ খাংসিম ভিল্লেজ ককচিং লমখাইগী ইমপ্লোয়িশিংগী ওইবা ফার্ষ্ট এইদকী মরুওইবা হায়বসিদা নোংমগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে।

জি আর ইনফ্রা প্রোজেক্টকী মেনেজর ঐচ আর অসিস রবিদাসনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস স্কুল ওফ নর্সিং চিনিকোনগী প্রিন্সিপাল অথোকপম রাইটকুমারী দেবী অমসুং ট্যুটর খাইদেম মিরন্দানা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুকয়াখি।

লিন্না চিকপা, হার্ট এটেক্ট, মৈনা চাকপনচিংবগী ফার্ষ্ট এইদ পীবা, ষ্ট্রেচর মেকিং অমসুং ফার্ষ্ট এইদকী তঙাইফদনা খঙগদবশিং অদু মপূং ওইনা নৈনখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি জি আর ইনফ্রা প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট মেনেজর অনজানিকুমার চৌবেগী মীৎয়েং মখাদা শীনবনি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৪–০৬–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ চাং অমদা লৈ, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, য়েক্লবশিংনা চঙজরকপা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৩,৪, ৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** শোক্তনবা চেকশিল্লু। ৱাখল লাঙগনি। অচৌবশিংনদি চানবিরগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। নক্ষত্র ৫,৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** চরক চহিং নাইবা, চয়েৎনবা লৈরগনি। থবক্তা চয়েৎনবা মতম্নি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবদি কান্নবা ফংলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

**কন্যাঃ** ইথক থোংবশিংনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অরুবা পাঙথোকপা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্মী। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈ। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১৪,১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** শোক্কনবা, শাওনবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ খরা ফগনি।

**মকরঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শেল ফংবা, হোৎনবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** শোক্তনবা চেকশিল্লু, খৎনবা শাওনবা, মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।

